HUEIYEN LANPAO

Tuesday, January 05, 2016, Imphal



# বেঙ্ক পাসবূক উৎলনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ ঃ হেল্ঠ স্কিম ওফ এম ও বি সি, ২০১৩-১৪ গী মতাংদা এপ্লিকান্টশিংনা মখোয়গী এপ্লিকেসন ফোর্মশিংদা থাগৎলকখিবা বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর অদু চুম্মী নৎত্রগা চুমদে হায়বা য়েংশিন্নবগীদমক স্কিম ইন-চার্জদা ওরিজনেল বেঙ্ক পাসবূক/চ্যেক বূক অদু জন্যুৱারী ১৬ ফাওবগী মনুংদা দিরেক্টোরেট ওফ মাইনোরিটিজ এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসতা উৎলনবা দিরেক্টোরেট অসিগী দিপ্যুটি দিরেক্টর-২, এম দামু সিংহগী নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি। করিগুম্বা থাগৎলক্ত্রবদি মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং অদু কক্থৎকনি হায়রি।

# অশিবা ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) ঃ

কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈথেলমানবী ৱার্দ নম্বর ৭গী এরিয়াদা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে। পুলিসকী পাউনা হায়, অশিবা হকচাং অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা শীং য়ানবা চৎখিবা মীওই খরনা হান্না থেংনরকপনি। মতুংদা মখোয়না পুলিসতা পাউ পীদুনা মীয়াম খঙনরকপনি। লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মশাদা কনাগুম্বনা ফুবগী দাগফম য়াম্না লৈবগা লোয়ননা মহাক্কী খ্বাঙগী মখাদি মৈনা চাকপগী মওংদা লৈরম্মী। নুপা অদু চহী ৫০ রোমগী লেঙ্গা মাল্লি। মহাক্কী মশাদা খোঙ্গ্রাউ শেৎলমদে। অশঙবা মচুগী হাফ জেক্কেট অমা লিংপগা লোয়ননা মনুংদা টি-সার্ট অমা থারম্মী। য়েংবদা নন-মণিপুরী মানবা মশা ফবা নুপা অদু কনানা হাৎলম্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মশা অদু পুমথদুনা মনম চেনবা হৌরম্লে। মহাক নুমিৎ ৫/৬ নিগী মমাঙদা শিবা ওইগনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কাংপোকপী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু মশক খঙদোক্নবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

# লন্থীগী ফিভম শোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ ঃ থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা থাংমৈবন্দ থিঙেল মরুদগীনা এম এম গ্যাস গোদাউন তাবা লন্থী অসি মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। লন্থী অসি হান্না পাকা লৌরম্লগা মখা তানা কোইলাস থাবীদবদগী লন্থীদগী চাইথোরকপা নুঙশিংনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা অৱাবা মায়োক্লরে। লন্থী অসিদা অথু-অকায়গী থবক চৎপদা গাড়ী কন্না থৌবা য়াদ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা লন্থী অসি শেমজিনবীনবা খুঞ্জাশিংনা প্রেসকী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্লি।

# ঈজৎ মাঙহল্লকপগী মতাংদা জে এ সি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) ঃ

তোপ খোংনাংমখোঙ ইম্ফাল ইষ্টতা মহৈরোয় নুপীমচা অমবু হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৯ দা নুপী ওইবীগী ঈজৎ মাঙহনবীখ্রবা তুংদা নুপা ময়ুমনা উৎশিৎলক্তবা অমসুং খুন্নাইগী চৎনবীবু ঈকায়-খুম্নরক্তবগীদমক ঙরাং মীয়ামগী লুপশিং অমসুং অকোয়বা লৈকায়গী লুপশিংগী মীফম ফমদুনা জে এ সি অমা শেম্বগা লোয়ননা চেন্নরিবা নুপা অমসুং মহাক্কী মমা-মপাগী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎতুনা চৈরাক ফংননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙরাং পব্লিক ক্লব অমদি ৱিমেন দিভলপমেন্ট কম্মিটি, তোপ খোংনাংমখোঙ অনীনা পুন্না শীন্দুনা পব্লিক ক্লবকী হেন্দবোল গ্রাউন্দদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগী প্রসিদেন্ট কৈসাম তরুনি, পব্লিক ক্লবকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এলাংবম ইবোতোম্বী, তোপ মখা লৈকায় সগোলশেম পুখ্রী মপাল এসোসীএসনগী সেক্রেটরি লাইশ্রম অঙৌবী লৈমা অহুম্না প্রসিদিয়ম ওইখিবা মীফম অদুদা অমুকো, ইপসা, ইরমদম কনবা অপুনবা লুপ, ওল মণিপুর মুসলিম ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ৱিমেন দিভলপমেন্ট মণিপুর, ওল মণিপুর নুপী মরুপ, ওল মণিপুর ৱিমেন পিছ এন্দ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন মণিপুর, মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপুনবা নুপী লুপ, সলাই তরেৎ অপুনবা নুপী লুপ, কংলৈ চনু কনবা লুপ, দব্লিয়ু এ দি অমসুং মালোম তুলিয়াইমা মৈরা পায়বীগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

থোকখ্রিবা থৌদোক অদু নুপীমচা অসিবু মপুন্সি চুপ্পা মাঙহনগে হায়বা নুপা ময়ুমগী অচৌবা লল্লোংনি। মরম অদুনা মরাল লৈরিবা নুপা দেনিস তোকপম, মপা ডা. রাজেন তোকপম অমদি মমা পব্লিক প্রোজিক্যুটর আর কে প্রতিমা, মখোয় অহুমবু লৈবাক খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবগীদমক মীয়াম্না পাড়া তন্থীসি হায়না ফোঙদোক্লখি।

মতম শাংনা খন্নরবা তুংদা মরাল লৈরবা মীওই অহুম অসিবু আইনগী ওইবা চৈরাক পীনবা মীয়ামগী অমসুং লুপশিংগী মপুং ফাবা তেংবাংগা লোয়ননা তকশিনবা হায়নসু মীফম অদুদা য়ানখি। লৈবাক খুন্নাইগী মমাঙদা নুপী ওইবীগী ঈজৎ খোঙ্গোয়নবীরবা মহৈরোয় নুপীমচা এল সনাতোম্বীদা ফত্ত-নুংদা, শিবা-নাবা থোরকপদা মদুগী অফ-ফত্ত পুম্নমক দেনিস তোকপম অমসুং মহাক্কী মমা-মপানা পুবা হায়নসু লেপ্পখি। মীয়ামগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ অসি দেনিস তোকপমগী ইমুং-মনুংদা খঙহনবা হায়নসু য়ানখি। নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিং মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি লন্নাই নুপী লুপশিং য়াওনা মতেং পাংনদুনা পুন্না থিংনবা হোৎনমীন্ননবা হায়নসু য়ানখ্রে। মীয়াম্না লৌরিবা ৱারেপ থবক ওইনা মাঙলোমদা অথুবা মতমদা চঙশিন্নবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ হরাসমেন্ট ওফ এল সনাতোম্বী দেবী কৌবা অমা শেম্বা হায়নসু য়ানখি হায়না ৱিমেন দিভলপমেন্ট কম্মিটি, তোপ খোংনাংমখোঙগী সেক্রেটরি টি ঐচ প্রভাবতি দেবী অমসুং পব্লিক ক্লব, তোপ খোংনাংমখোঙগী সেক্রেটরি এল আর্জু সিংহগী চেরোল অমনা হায়রি।

# চিলড্রেন হোমদগী নুপীমচা ১ মাঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) ঃ

লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায়দা লৈবা কার্মেল জ্যোতি চিলড্রেন হোমদা লৈবী চহী ১৪ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.৪৫ রোম তাবা মতমদা চিলড্রেন হোম অসিদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে।

নুপীমচা অদুগী মমিংনা য়ুম্নাম প্রিয়ালক্সমী এলাইজ থোইবী (১৪) অপোকপা ৱাই সুভাসচন্দ্র কৌই। মহাক ওইনাম ময়ায় লৈকায়দা লৈবনি। মহৈরোয় নুপী মচা অসিনা থোকখিবা মতমদা হঙ্গাম মপাল মচুগী ফনেক অমা শেৎলি, অমুবা মচুগী জেক্কেট অমা লিৎলি, মনুংদা হঙ্গাম মপাল মচুগী ফুরিৎ অমা লিংখি। নুপীমচা অসি ফুট ৪ রোম ৱাংই, কুলৈ-কুচুনি, মহাক্কী মশম মুই, শম অদু লেঙজুম য়ৌনা শাংই।

কার্মেল জ্যোতি চিলড্রেন হোমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট পাউলিন জোর্জনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা অইবা চে অমা পীদুনা ৱাকৎখ্রে।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) ঃ

সি পি আইগী লুচিংবা এ বি বর্ধন, জেনরেল সেক্রেটরিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সি পি আই (এম-এল) লিবরেসন, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা কম্মিটি অসিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা পাঙথোকখ্রে।

লুচিংবা এ বি বর্ধননা লৈখিদবা অসি খুন্নাই অসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়না ঙসিগী মীফমনা ফোঙদোক্লখি। মহাক মীয়াম পুম্নমক্কী মান্নবা রাইট ফংনবা হোৎনরম্বা মীওইনি। মীওইবগী সেবাদা কখোক্লমখিবা এ বি বর্ধনগী মফমদা সি পি আই (এম-এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# মখা বষ্টিদগী ২৭ এ আরগী কেম্প হোংদোকখিদনবা তকশিনখ্রে

জিরিবাম, জন্যুৱারী ০৪ঃ

লাতিংখাল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা ঙরাং মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা জিরিবাম সব-দিভিজনগী লাতিংখাল গ্রাম পঞ্চায়েটকী মখাদা লৈবা মখা বষ্টিদা লৈরিবা ২৭শুবা আসাম রাইফলসকী কেম্প অসি মফম অসিদগী হোংদোকখিদনবা তকশিনখ্রে।

মীফম অদুনা জিরিবামগী কদমটালাদা লৈবা ২৭-আসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসার, এদিসনেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার, জিরিবাম, অমসুং এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিরিবামদা মেমোরেন্দম অমমম পীশিন্দুনা কেম্প অসি মফম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক্তা য়েংদুনা হোংদোকখিদনবা তকশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ৱারোলশিংগী মনুংদা জিরিবামগী মফম কয়াদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ঙাক শেন্নবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী কেম্প কয়া হাংলিবা অসিনা মফম অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপনা মরম ওইদুনা হোংদোকখিদনবা তকশিনবা, মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেন্নবা অমসুং মহৈ-মশিন তম্লিবা অঙাংশিংবু মনিং-মখা তম্না মহৈ-মশিন তমজনবা অমদি নুপীশিংনা ময়ুম অমসুং লন্থী সোরোক্তা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৈবা অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমজনবা মফম অসিদগী আসাম রাইফলসকী কেম্প অসি হোংদোকখিদনবা তকশিনবনি।

---

No. 9/1/2016/MN-MSRRDA/02

**MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA)**

4th Floor, Secured Office Complex, A T line, North AOC, Imphal

**MEETING NOTICE**

Imphal, Dated 2/1/2016

It is for general information that a meeting will be held at the Classic Grande Hotel, Chingmeirong, Imphal at 11.00 AM sharp on 6th January 2016 for all the PIUs, SQMs, AEs, SOs and Special Class Contractors of ongoing works of PMGSY or their representatives.

All are requested to make it convenient to attend the said meeting well in time without fail.

Yours faithfully,
**Th. Shyamsundar Singh**
Additional Chief Engineer/SQC-MSRRDA

HL-B/2878/5,6

---

## ম/PASS BOOK LOST

I have lost my Pass Book bearing A/C No. 34134873266 issued by SBI Thoubal Branch on the way between Imphal to Thoubal on 30/12/2015.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Asem Sanatombi Devi**
# 9612642618/9615032584

H/L-P/4003/5

---

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER, STANDARD COLLEGE GUARDIAN REPRESENTATIVE ELECTION, KONGBA, IMPHAL-EAST**

**NOTICE**

Imphal, the 2nd January, 2016

No.SC/02/Elect.(GB)/16: It is hereby informed to all concerned that the election of the Standard College two (2) Guardian Representative to constitute Governing Body will be proceeded as per programme given below:

1. Publication of Guardian List/Electoral Roll : 06/01/16
2. Verification & rectification of complaints by guardian in respect of voter list within 3 days from the date of publication : 08/01/16
3. Final publication of Electoral Roll : 09/01/16
4. Issue and receipt of Nomination Paper/from : 10/01/16-13/01/16 upto 2 p.m.
5. Date of Scrutiny : 14/01/2016 at 11.a.m.
6. Withdrawal of Candidates : 15/01/16 up to 1.p.m.
7. Date of Poll : 17/01/16 9 a.m. to 12 noon
8. Counting of Votes : 17/01/16 1p.m. onwards
9. Declaration of result just after counting :

**Sd/-M. Kumar Singh**
Returning Officer
Guardian Representative Election

HL-P/4005/5

---

**Pliz Visit** **Pliz Visit**

# "APEX CRAFT BAZAR 2016"

(A Handicraft Exhibition)

at

**Social Upliftment Organisation Complex**

Singjamei Bazar, Imphal West, Manipur

**from 9/01/2016 to 18/01/2016**

**Time 10.00 a.m. to 06:00 p.m. daily**

Organized by:
Manipur Apex Handloom Weavers & Handicrafts Artisans' C.S. Ltd.
Paona Bazar, Imphal, Manipur

*Sponsored by*

**Office of the Development Commissioner (Handicrafts) Ministry of Textile, Govt. of India**

HL-P/3999/4,5

---

**RAJKUMARI KAMALASANA FILMS PRODUCTION**

*Moirangkhom Bokul Makhong, Imphal*

**Lukanand Kshetrimayum**

*Presents*

*Form Rate Rs. 50/-*
*Workshop entry fee Rs. -200/-*

**12 FILMS-12 DIRECTORS**

**5 DAYS FILM WORKSHOP**

**10TH JANUARY TO 14TH JANUARY -2016**

**FORM AVAILABLE AT:**
- FILM FORUM MANIPUR
- SUCHETA BOOKS & PUBLISHING HOUSE POLOGROUND ROAD, IMPHAL-795001
- RAJKUMARI KAMALASANA FILMS PRODUCTION MOIRANGKHOM BOKUL MAKHONG

HL-P/4007/5,6,8,9,10

---

## /VACANCY

**On the job training for corporate company for Manipur**

| Qualification | Fix salary | Incentives |
|---|---|---|
| X & above | ₹ 3000/- Fresher<br>₹ 5000/- Experienced | ₹ 10,000/- |
| Graduate & Above | ₹ 5000/- Fresher<br>₹ 8000/- Experienced | ₹ 12,000/- |

Walk in interview with resume Interview Today. between 10 : AM - 4 PM

*Sd/- Ms. Sarju*
*Above Apollo Physiotherapy, Near Punjab & Sind Bank Khongnang karak, Chingmeirong, Manipur*
*# 8575938654*

HL-P/7336/4,5,6,7,8,9,10

---

## /থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি

*Regd. UM/092. Com. ESTD-2013*

**Government of Manipur**

**Sl. 1. TELE CALLER IN IMPHAL**
*Qualification : XII pass*
*Salary : 10,000 + Incentive*

**Sl. 2. Data Entry for Banking in Imphal**
*Qualification : X Pass*
*Salary : 10,000 + Incentive*

**Sl. 3. Technical Department in Imphal**
*Qualification : VIII to X pass*
*Salary : 10,000/- + Incentive*

**Sl. 4. Banking & Finance (North East & Imphal)**
*Qualification : X to Graduate*
*Salary : 12,000/- to 18,000/-*

**Sl. 5. Security and Driver ( ATM, Bank, Company, Others)**
*Qualification : VIII pass*
*Salary : 5,000/- to 10,000/-*

**Sl. 6. Wanted Vacancy in Imphal**
Reception, Asst. Manager, R.O, Collector, Office Asst. House Keeping, Accountant, Sales Man, Nurse, Helper.
*Qualification : VIII/X/XII/Graduate*
*Salary : 5,000/- to 10,000/-*

***Last Date : 13/1/2016 Interview on : 14/2/2016***

**Sd/- GENIUS SERVICES,**
**ADD:- URIPOK MACHIN, OPP. CHEIRAP COURT**
**# 9615165952 # 9856808189**

HL-P/7255/4,5,6,7,8,10,11,12

---

## /মী মাঙখ্রে



নোংমাইথেম ইতো (বীরেন) চহী ৬০ রোম শুরবা, ফুট ৫ ৮" রোম ৱাংবা, কুচু ঙৌবা, মশা পাবা, মাইথোং শাংতক তৌবা নুপা অমা তাং ৩/১/২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা য়ূমদগী থোকখিবদগী হনজিল্লক্ত্রে।

য়ূমদগী থোকখিবা মতমদা খোংগ্রাও অমুবা, জেকেট অমুবা লিৎখি, হিগোক মচুগী চপল অমা তোংখি। কনাগুম্বশিংনা থেংনবিরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেশন নৎত্রগা মখাগী থিকানা অসিদা শিন্নবিয়ু নৎত্রগা পাউ পীবিয়ু।

**Sd/- Nongmaithem Romeo Singh**
Naoremthong Khullem Leikai Opposite Upak Thong
# 8257974678, # 9856698014

HL-P/4006/5

---

**FAST TRACK-MANPOWER CONSULTANT**
**(Under Ministry of Labour, Govt. of India)**
**Chingmeirong Sangakpham Bazar, Heingang Road, Near D.A.V. Public School- Imphal 795001**

Emp. Adv. No. 0201, MD/4-16 BSR Date : 04-01-16

## BANK STAFF RECRUITMENT

Post Name :- Asst. Manager, C.L.O. & J.O.
No. of Vacancy :- 36, 65 & 47
Qualification :- Graduate with min. 50% & 10+2 Passed with min. 45%
Salary :- 28,500 - 46,800 for graduates 20,500 - 40,800 for 10+2
Sex :- Both Male & Female
Age :- 18-32 years as on 31-12-15
Last Date of Form Submission :- 12-01-2016
Date of C.W.E :- 14-01-2016

| BANKS TO WORK | POSTING PLACE |
|---|---|
| AXIS, HDFC, ICICI, INDUS IND | IMPHAL, GUWAHATI KOLKATA |

**Sd/-Managing Director,**
F.T.- M.C. Imphal

HL-P/4002/5

---

## চ্যেক মমল হন্তজরে
## PIS BRICK FIELD (MECHANISED)

BRICK SAMPLE

(From time to time rate Changeable)

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 8.60 | 3000 | Rs. 25800 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 29400 |
| 1st | Rs. 8.60 | 2000 | Rs. 17200 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 19600 |
| 1st | Rs. 8.60 | 1500 | Rs. 12900 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 14750 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 3000 | Rs. 24000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 27600 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 2000 | Rs. 16000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 18400 |
| 2nd | Rs. 8.00 | 1500 | Rs. 12000 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 13850 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 2000 | Rs. 14000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 1500 | Rs. 10500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12350 |
| Peti | Rs. 6.50 | 3000 | Rs. 19500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 23100 |
| Peti | Rs. 6.50 | 2000 | Rs. 13000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 15400 |
| Peti | Rs. 6.50 | 1500 | Rs. 9750 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 11600 |
| 3rd | Rs. 3.70 | 3000 | Rs. 11100 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 14700 |
| 3rd | Rs. 3.70 | 2000 | Rs. 7400 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 9800 |
| 3rd | Rs. 3.70 | 1500 | Rs. 5550 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7400 |

*Contact :-* ☎ 9856052197, 9862048579
(Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex

HL-P/3906/22/12-20/01 (alt)

---

# Heritage Convent

URIPOK BACHASPATI LEIKAI & NAOREMTHONG KHULEM LEIKAI , IMPHAL
(46/123/2005-ed.(V) dated 23/10/2007)

**Be a part of a fast growing and a happening school with a vibrant reputation...**

If you are a Graduate/Post Graduate in Science/Social Science/Hindi/Meetei Mayek and have the flair and the confidence to teach in an English medium school, you could be the right candidate, we are looking for.

Drop in with your latest photograph and academic credentials on any working day from 06/01/2016 (Wed) to 16/01/16(Sat) between 9:00 a.m. and 2:00 p.m.

**Remuneration: Rs. 10,000/- p.m. – Rs. 12,400/- p.m.**

HL-P/3956/31 Dec, 3&5 Jan

---

**OFFICE OF THE BISHNUPUR BLOCK MAHILA CONGRESS COMMITTEE**
Congress Bhavan, Bishnupur District, Manipur

*Date : 4th January, 2016*

## /অৱাবা ফোঙদোকপা



নিংথৌখোং খা ৱার্দ নং ৬ তা লৈবা **সলাম ইঙোবী সিংহ,** বিষ্ণুপুর ব্লোক কংগ্রেস কমিটিগী মেম্বর, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিটিগী মতম কুইনা সেক্রেটরি ওইবিরম্বা, হৌজিকমক কমিটি অসিগী Executive Member সু ওইবীরিবা লোয়ননা Manipur Khadi & Village Industries Board কী সেক্রেটরি ওইবীরম্বনা ঙসি তাং ০৩/০১/২০১৬ ইং, নোংমাইজিং নুমিত্তা মশাগী অনাবা অমদগী ঈশ্বরগী খুয়াদা চংজখিবগা মরী লৈননা Bishnupur Block Mahila Congress Committee গী কম্মিশিংগী অপূনবা মীফম অমা ব্লোক অসিগী ওফিস নিংথৌখোংদা পাঙথোক্লুনা লৈখিদ্রবগী আত্মানা শান্তি ওইনা লৈখিনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

**Sd/- S. Memchabi Devi,** President
Bishnupur Block Mahila Congress Committee

HL-P/4008/5

---

## /EMPLOYMENT NEWS

Government recognised Company অমগীদমক্তা ইম্ফাল অমসুং Major District শিংগী ওইগদবা Higher Official Management Post কীদমক Freshers Candidate (নুপা ৪৭ + নুপী ৩৪) গী reqruitment তৌজরি।

Age : চহী ৩০ গী মখা
Facilities : Free Hostel
Income : 20,000 to 45,000/- (PM)
Qualification : X, XII and Graduate

Deposite লৌজরোই, অহানবা লাকপা মীওইদনা হেন্না খুদোংচাবসু পীগনি। পুং ১২ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা ইশাগী Bio-data পুরগা লাকপীয়ু।

***Contact : 8014170652, 9089587825, 8259950861***

HL-P/7372/18,21,23,28 Dec 3,5,7 Jan

---

## /মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
**চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স**



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্চখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।


**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/2822/18/12-17/01

---

## /তোন্সিল ফহনবগী ওজা এম দি কয়ামুদ্দিনবু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



ঐ মতম কুইনা তোন্সিলনা নাদুনা খনাও মরেং মরেং চৎপা, চাবা থকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭,** ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক বজারদা লৈবা ওজা কবিরাজ অসিদা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী থা অমগী মনুংদা ঈশ্বরগী থৌজালদগী ঐগী হকচাং মপুং ফানা নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজাবু মতম কুইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমহনসনু হায়না মপুদা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা **: Bubha Kshetrimayum**
Chaithabi Leirak

HL-B/2872/3/01to2/02

---

## শরদকুমার! মঙ্গল ওইবিয়ু!



শরদকুমার

নুঙগী লায়েংবা পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশোরনা ইবা "চুম্মী" হায়না লৌবিব্রা? "লাল্পী" হায়না লৌবিব্রা? হায়বা তুংগী মীরোল ফাওবগী ওইনা কান্নরগদবা লাইরিকসিবু মৈতৈ ময়েক্তা ফোঙবিরিবা শরদকুমার লোংজম, প্রিন্সিপাল সন সাইন একাদেমি, মোইদাংপোক্তা লৈববু থাগৎচরি, মখাসু ফোঙথবিরকখো! মঙ্গল ওইবিয়ু।

থাগৎচরিবা ঃ **এস (ও) লনধোনী দেবী**
ককচিং খুনৌ গোভ. হায়স্কুল

HL-P/7280/7/12to6/1

---

# A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE

**Keishamthong Elangbam Leikai**

## ADMISSION OPENS FOR

**Class X (BOSEM)**

## FOUNDATION COURSE

*Class Commencing from 14th Jan. 2016*

Time : 6:30 am to 7:30 am
4:50 pm to 5:30 pm

*Only 15 Students per batch*

Subjects : **Geo, History, Pol. Sc., Economics**

**Previous records.** Pass Percentage - 100% consecutives 10 years

**80% and above - 7 students**
**60% and above - 7 students**

**Please contact : # 9856475399**
**Sir Ajit Kumar** (Board Examiner)
**Sir Ipajao**, Former Regular English School

HL-P/7377/18/12, 1/1-17-1

---

# JOB NEWS

Regd. No. 14006.21.04595 Part I (Micro under the Govt. Of Manipur)

| Sl.No. Name of post | No.of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| **1. REQUIRED MICRO FINANCE STAFF IN IMPHAL** | | | |
| i) Manager | 20 | XII | 7,000 – 20,000 |
| ii) Inspector | 15 | XII | 6,000 – 18,000 |
| iii) Receiption | 40 | XII | 6,000 – 18,000 |
| iv) Loan Recovery | 45 | XII | 5,500 – 16,000 |
| v) Collector | 50 | X | 5,000 – 15,000 |
| vi) Accountant | 30 | XII | 6,000 – 18,000 |
| **2.URGENTLY REQUIRED DIFFERENT STAFF FOR DOMESTIC AIRLINES** | | | |
| i) Ground Staff | 10 | XII | 25,000 – 45,000 |
| ii) Air Hostess | 20 | XII | 30,000 – 50,000 |
| iii) Air Ticketing | 20 | XII | 18,000 – 35,000 |
| iv) Loader/Driver | 35 | VIII | 12,000 – 25,000 |
| **3. REQUIRED DIFFERENT STAFF OF PRIVATE BANK** | | | |
| i) Branch Executive | 15 | Graduate | 14,000 – 22,000 |
| ii) Junior Officer | 20 | Graduate | 18,500 – 28,000 |
| iii) Two/Four Wheeler Loan Officer | 10 | Graduate | 15,500 – 25,000 |
| iv) Credit Card Officer | 4 | Graduate | 16,000 – 27,000 |

**4. VACANT DIFFERENT POST FOR PRIVATE OFFICE , LEADING MALLS, PRIVATE HOSPITAL, STAR HOTEL PRIVATE COMPANY IN MANIPUR**

Official Staff, L.D.C, Sale executive, Computer Operator, Chowkidar, Peon, Cook, Security, Helper, GNM, ANM, BSc. ATM Guard, Receiption, Accountant.

**Interview On : 20 - 01 - 2016** # 7308510460
**Last Date Submission on : 19 - 01 - 2016** # 7308006517
**FUTURE CAREER CENTRE** # 8132876434
NEAR, HUEIYEN LANPAO PRESS Office Hour: 10:00am-3:30pm

HL-B/2874/3,4,5,6,8,9,11,12,13,14,15,16,17,18,19,20